# শেলগী মতেং পাংনবা রাইজোর দলগী প্রসিদেন্ট অখিলনা হায়জরক্লি

গুৱাহাটি, মার্চ ১২ (এজেন্সি):

লাক্কদৌরিবা অসাম এসেমব্লি ইলেক্সনদা নৌনা লিংখৎখিবা রিজ নেল পার্টি রাইজোর দলগী প্রসিদেন্ট অখিল গোগোয়না ঙসি লমদম অদুগী মীয়ামদগী শেলগী মতেং নিরক্লি।

অখিল গোগোয় সিব সভর কন্সটিট্যুয়েন্সিদা রাইজোর দলগী মীরেপ ওইনা মীখলদা লম্বা তৌনগদৌরি। ইলেক্সনদা শেল চঙবনা মরম ওইরগা মীয়ামদা শেলগী মতেং পীরক্নবা আপীল তৌরকখিবনি।

মহাক্না হীরম অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা অসাম মীয়ামগী মীহুৎ শিন্দুনা মহাক্না ষ্টেট লেজি সলেটিভ এসেমব্লিদা থবক তৌগনি। মীয়ামগী অপাম্বা মতুং ইন্না থবক তৌবা হায়বসি কেন্দিদেটশিংগী তৌফম থোকপা মথৌনি। ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা এন্টি কম্যুনিটিগী ওইবা থবক থৌরম কয়া চথরক্লিবা অসিগী মায়োক্তা নোংশা অমগুম মায়োক য়াবা পাল্লি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিদা কেন্দিদেট অমনা য়ামদ্রবদা লুপা লাক্ষ ৩০ মুক দরকার ওইরি। হায়রিবা শেলফম অসি মহাক মশাদা লৈতবনা মরম ওইরগা মীয়ামদগী মতেং নিবনি। কনাগুম্বা মীওইশিংনা মতেং পীবিনিংলবদি মহাক্কী ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া একাউন্ট নম্বর ৪০০৬১৭০৯১২১ দা ট্রান্সফর তৌরকপা য়াগনি হায়রি।

পনবা য়াবদি অখিল গোগোয় হৌজিক গৌহাটি মেদিকেল কোলেজ এন্দ হোস্পিটালদা এদমিট তৌদুনা লৈরি। কুমজা ২০১৯ দিসেম্বর থাদা মহাক গুৱাহাটি পুলিসনা ফাদুনা জে লদা থল্লকখিবনি। সী এ এগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিনবদা য়ৈখাই থিনগাইবগী থবক থৌওংশিং চৎথৈ হায়বগী মরালদা মহাকপু ফাজিনখিবনি।




মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী মীৎয়েং মখাদা মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস সেবা দলনা শীন্দুনা লৌমীশিংগী খোঙজং শৌগত্তুনা রেল্লি চৎখিবা

# শক খঙদবা মীওই খরনা অহল ওইরবী নুপী ১দা এটেক চথখ্রে

অগরটালা, মার্চ ১২ (এজেন্সি):

ত্রিপুরাগী মনুং চনবা অগরটালাদা লৈবা মশাগী চহী ৭২ রোম শুরবী অহল অমদা মশক খঙদবা মীওই খরনা মহাক্কী ইমুংদা চঙলক্লগা এটেক চথরম্বদগী শোকখ্রে হায়রি।

থৌদোক অসি থাংজ নুমিৎকী নুমিদাংদা থোকখিবনি। থৌদোক অদুদা ভিক্টিম ওইরবী ভারতি রোয়দা শকখঙদবশিং অদুনা ফু চৈবা তৌবগা লোয়ননা মহাক্কী ময়ুমদগী লুপা ৫০,০০০ পুদুনা চৎখ্রে হায়রি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা ত্রিপুরা পুলিসনা ফোঙদোরকখিবদা চহী ৭২ রোম শুরবী নুপী অদু হান্না ওজা ওইনা থবক তৌরম্বনি। মহাক্কী মপুরোইবা অমসুং মচা লাইবকথিবা থৌদোক অমদা লৈখিদবদগী য়ুম অদুদা মতোমতা লৈরকখিবনি।

মতোমতা লৈবগী খুদোংচাবা লৌরগা শকখঙদবশিং অদুনা ভারতিগী য়ুমদা চংলক্তুনা এটেক অদু চথখিবনি। মীওইশিং অদুনা মহাকপু ফুবতা নত্তনা প্লেন পেপর অমদা মহাক্কী খুৎয়েকসু নমফুদা লৌখি হায়রি।শকখঙদবশিং অদুনা মফম অদু থাদোক্তুনা চৎখিবগা মহাক্কী য়ুমদা থবক শুনবা লৈবা নুপী অদুদা ফোন তৌরগা খঙহনখি। নুপী অদুনা খুদক্তা পুলিসতা পাউ পীবগা লোয়ননা হীরম অদুগী মাতাংদ কেস অমা রেজিষ্টর তৌখ্রে হায়রি।

# অরুনাচল প্রদেশতা অজাদিকা অম্রিট মাহোটসব পাঙথোকখ্রে

ইটানগর, মার্চ ১২ (এজেন্সি):

ইন্দিয়ানা নীং খা তন্বা চহী ৭৫ মপুং ফারকপগা মরী লৈননা লৈবাক পুম্বদা পাঙথোক্লিবা অজাদিকা অম্রিট মাহোটসব অরুনাচল প্রদেশতসু ষ্টেট অদুগী গভর্ণর বি দি মিশ্রনা লুচিংদুনা পাঙথোকখ্রে।

ঙসি লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা অজাদিকা অম্রিট মাহোটসব হৌদোকখিবগা লোয়ননা সবরমাতি আশ্রমদগী কিলোমিটর ৩৮৬ শাংবা দান্দি খোঙচৎ অমসু লমথাখি। অহমদবাদতা লৈবা সবরমাতি আশ্রমদগী হৌরগা গুজরাটকী নাবশারি দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা দান্দি ফাওবা খোঙচৎ অসি চৎকনি। ঙসিগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা মালেম পুম্বদা শক খঙখিবা কুমজা ১৯৩০ দা মহত্মা গান্ধীনা থুম তাংখৎপগী মায়োক্তা চৎখিবা খোঙচৎ অদুবু চহী ৯১ মপুং ফারকপগী নীংশিং থৌরম অমসু পাঙথোকখি।

থৌরম অসি চহী অসিগী ইন্দিপেন্দেস দে নুমিৎ ফাওবা পাঙথোক্কনি। অরুনাচল গভর্ণমেন্টনসু থৌরম অসিগা মরী লৈননা ফোটো এগজিবিসন অমসু পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা চহী নৌরিবা নুপা অমসুং নুপীমচাশিংনা সাইকল রেল্লি চত্তুনা মহত্মা গান্ধীবু নীংশিংখি হায়রি।

# কোংগ্রেস লুচিংবা গৌতম ধনোৱর পার্টিদগী পোথাখ্রে

দিব্রুগর, মার্চ ১২ (এজেন্সি):

অসাম এসেমব্লি মীখলগী মাংওইননা দিগবোইগী কোংগ্রেস লুচিংবা গৌতম ধনোৱর পার্টিগী প্রাইমরি মেম্বরসিপতগী তোকখ্রে।

দিগবোই এসেমব্লিগী মীরেপ ওইনবা হোৎনখিবা গৌতমদা পার্টিনা টিকেট পীরকখিদ্রবা মতুং কোংগ্রেস পার্টিদগী মহাক তোকখিবনি। গৌতম ধনৱর কোংগ্রেসকী হান্নগী মিনিষ্টরসু ওইরবা দিগবোই এসেমব্লি সিট টার্ম ৮ লক কাদুনা এম এল এ ওইরম্লবা রামেশ্বর ধনোৱরগী মচানুপানি। গৌতমগী ময়াম্বা মনোজ ধনোৱরদি লাহোৱাল এসেমব্লি সিটতা মীরেপ ওইনবগীদমক কোংগ্রেস পার্টিনা টিকেট পীখি। অদুবু মহাক্তি পীরকখিদবনি। অসাম প্রাদেশ কোংগ্রেস কম্মিটি (এ পি সী সী) গী প্রসিদেন্টতা মহাক্কী রেজিগনেসন লেটর ওইনা পীশিনখিবনি। দিগবোই এসেমব্লি সিটতা কোংগ্রেসকী মীরেপ ওইনা টিকেট ফংখ্রবা অদুদি নহা ওইরিবা সিবনাথ চেটিয়ানি।

# মোদি অমসুং অমিত রেল্লিদা তোয়না শরুক য়াগদৌরি

গুৱাহাটি, মার্চ ১২ (এজেন্সি):

অসামদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসেমব্লি ইলেক্সনগী মাংওইননা ষ্টেট অদুদা বি জে পিগী মপাঙ্গল কনখৎহন্নবগীদমক লৈবাক অসিগী লুচিংবা নরেন্দ্র মোদি অমদি য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত শাহ অনীনা ইলেক্সনগা মরী লৈনবা কেম্পেইন অয়াম্বদা শরুক য়াগদৌরি।

অসামদা কোংগ্রেসকী কেম্পেইন কা হেন্না কনখৎলকপদগী লুচিংবা অনী অসি অসামদা চত্তুনা রেল্লিদা শরুক য়ানবা ফিরেপ লৌখিবনি। অসামদা বি জে পিনা শীন্দুনা পাঙথোক্কদবা রেল্লি ৬ লোমদা মোদি শরুক য়ারবা য়ানা লৈ।

অমরোমদা পি এম মার্চ ১৪, ১৫, ১৭, ২১ অমসুং ২৩ দা অসামদা লাক্কদৌরি। হায়রিবা নুমিৎ ৬ নি অসিদসু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অসামদা লাক্তুনা ভোট খোল্লবা য়ানা লৈ হায়না থাজবা য়াবা পাঙ্গী লীখুন অমনা ফোঙদোরক্লি। লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক লমদমদা লৈবা লৈবাকশিংদা হৌজিক ফাওবগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত শাহনা টার্গেট থল্লিবা ষ্টেটতি অসামনি। অমরোমদা কোংগ্রেসনা অসামদা অমুক হন্না লৈঙাক পায়নবা অকন্নবা মওংদা হোৎনরি।

# এগ্রিকলচর অমসুং হোর্টিকলচরগী পোখোকশিং হেন্না পুথোক্লবগী পান্দমদা বাইয়র-সেল্লর মীট পাঙথোকখ্রে

দিমাপুর, মার্চ ১২ (এজেন্সি):

দিমাপুর এয়রপোর্টতা কার্গো সার্ভিস লোঞ্চ তৌখ্রবা মতুং নুমিৎ ১০ নি লৈরগা নাগালেন্দদা এগ্রো-হোর্টিকলচরগী পোখোকশিং কা হেন্না পুথোকহন্নবগী পান্দমদা বাইয়র- সেল্লর মীট অমা দিমাপুরদা পাঙথোকখ্রে।



ষ্টেট এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা নুমিৎ নীনি চথুগদবা প্রোগ্রাম হৌদোকপগী থৌরমদা ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী বাইয়র ওইনা তোঙান তোঙানবা ফার্ম ১৫ রোম লাকখি। দিমাপুরদা লাকখিবা ষ্টেটশিংগী মনুংদা কোলকটা, বেঙ্গলোর অমসুং দেল্লী য়াওরি।

ঙসিগী থৌরম হৌদোকপা অদুদা শরুক য়াখিবা কম্মিস্নার ৱাই টিখেটো সেমানা ফোঙদোকখিবদা নাগালেন্দদা এগ্রিকলচর অমসুং হোর্টিকলচরগী ওইবা পোখোকশিং চাং হেন্না পুথোকপা ঙমগনি। মরু ওইনা অতোপ্পা লৈবাক অসিগী শরুকশিংদা ফংদবা উহৈ-ৱাহৈ অমদি মনা মশীং কয়া ষ্টেট অসিদা পুথোক্লি। মরম অদুনা বাইয়রশিংনা নাগালেন্দদা ইনভেষ্ট তৌবগী মতম অদু য়ৌরে।

নাগালেন্দদা পুথোক্লিবা কিহোম, কিৱি, সিটাফোন, শীং, থবীশিং অতোপ্পা মফমশিংদা ফংবগা মান্নদে হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা নাগালেন্দদা পুথোক্লিবা কোফি অসি মালেমগী খ্বাইদগী হাওবা কোফিশিংগী মনুংদা অমনি হায়রি।

# অসাম রাইফলসনা দ্রগ লল্লোনবা ১ হেরোইন গ্রাম ৯১ গা কোন্ননা ফারে




আইজোল, মার্চ ১২ (এজেন্সি):

আই জি অসাম রাইফলস (ইষ্ট) কী মীৎয়েং মখাদা ২৩ সেক্টর অসাম রাইফলসকী আইজোল বটালিয়ননা ঙসি মিজোরামগী মনুং চনবা থুৱামপুইদগী মীওই অমা হেরোইন গ্রাম ৯১ গা লোয়ননা ফারে হায়রি।

অকক্লবা পাউ অমা ফংবদগী অসাম রাইফলস পর্সনেল অমসুং দিপার্টমেন্ট ওফ এক্সাইজ এন্দ নার্কোটিক্সনা থুৱামপুইগী মফমশিংদা থি হুন্বগী থবক চথখি। মদুদা মীওই অদু হেরোইন গ্রাম ৯১ গা লোয়ননা ফাখিবনি। অসাম রাইফলসনা ফাগৎলবা দ্রগ অদু মার্কেটতা চাওরাক্লা লুপা ৪০,৯৫,০০০ গী ওইগনি।


লোনা অথিংবা থমখ্রবা দ্রগশিং অদু এক্সাইজ অমসুং নার্কোটিক্স দিপার্টমেন্টনা ফাজিন্দুনা থমখ্রে। ইন্দো-ম্যান্মার ঙমখৈগী শরুক্তা লৈবা ষ্টেটশিং মরু ওইনা মিজোরামদা হৌজিক হৌজিক হেরোইন য়াওনা ময়াই কাবা চীঙ্গাকশিং লল্লোন ইতিক তৌবগী থবক পাক শন্না চথরি।

মিজোরামদা মথৌ তৌদুনা লৈবা অসাম রাইফলস পর্সনেলশিংনা মিজোরামগী এক্সাইজ অমসুং নার্কোটিক দিপার্টমেন্টকা খূৎশম্নরগা ষ্টেট অদুদা ময়াই কাবা চীঙ্গাক লল্লোনবশিং ফানবা অকনবা মওংদা হোৎনদুনা লাক্লি। মখা তানসু হোৎনখিগনি।

হৌখিবা মার্চ থাগী ৯ দসু অসাম রাইফলস ট্রুপশিংনা মিজোরামগী মনুং চনবা চম্ফাই দিষ্ট্রিক্টতগী লুপা ক্রোর ১.৩ রোমগী ওইগদবা লোনা অথিংবা থমখ্রবা পোৎলম কয়া ফাগৎপা ঙমখ্রে।

অসাম রাইফলসনা ফারবা পোৎলমশিং অদু ষ্টেট কষ্টম দিপার্টমেন টতা খূৎশিন্নখ্রে অদুগা দ্রগকা কোন্ননা ফারবা মীওই অদুবুনা মরী লৈনবা পুলিস ষ্টেসনদা খূৎশিন্নখ্রে হায়না অসাম রাইফলসকী ৱাঙাঙলোয় অমনা ফোঙদোরক্লি।

## CROSSWORD-3722




**ACROSS**

1 Smug (10)
7 Peak (8)
8 Spoke falsely (4)
9 Republic of Ireland (4)
10 Opportunities (7)
12 Fine penmanship (11)
14 Refrain from voting (7)
16 Reverberation (4)
19 Compass bearing (4)
20 Feelings (8)
21 Constantly (3,3,4)

**DOWN**

1 Tick off (5)
2 Dog of mixed breed (7)
3 Deficiency (4)
4 English cheese (8)
5 Synthetic fabric (5)
6 Crunchy salad vegetable (6)
11 Assiduous (8)
12 Telegraphs (6)
13 Italian opera composer (7)
15 Sum (5)
17 Unit of weight (5)
18 Italy's capital (4)

**Solution 3721**




SOLUTION ON NEXT ISSUE

# HUEIYEN SUDOKU

## Hueiyen Sudoku-3521

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | 7 | | 5 | 1 | 6 | | |
| 5 | | | | | | | | 9 |
| | 3 | 4 | | | 2 | 8 | | |
| 6 | | | 5 | | 8 | | | |
| 4 | | | | | | | | 2 |
| | | | 3 | | 7 | | | 4 |
| | | 2 | 1 | | | 9 | 3 | |
| 3 | | | | | | | | 6 |
| | | 6 | 2 | 8 | | 4 | | |

## Solution-3520

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 6 | 5 | 7 | 4 | 3 | 1 | 2 | 9 | 8 |
| 2 | 8 | 3 | 7 | 9 | 6 | 5 | 1 | 4 |
| 4 | 9 | 1 | 5 | 2 | 8 | 6 | 7 | 3 |
| 9 | 1 | 8 | 6 | 5 | 3 | 4 | 2 | 7 |
| 3 | 7 | 4 | 9 | 8 | 2 | 1 | 6 | 5 |
| 5 | 6 | 2 | 1 | 4 | 7 | 8 | 3 | 9 |
| 1 | 4 | 6 | 8 | 7 | 9 | 3 | 5 | 2 |
| 8 | 2 | 9 | 3 | 6 | 5 | 7 | 4 | 1 |
| 7 | 3 | 5 | 2 | 1 | 4 | 9 | 8 | 6 |

# EMPLOYMENT NEWS

UP Police SI Recruitment 2021: Uttar Pradesh Police Recruitment and Promotion Board (UPPRB / UPPBPB) Lucknow has published recruitment notification for the post of Sub Inspector for filling up total 9534 vacancies. The online registration process will be start from 1st April 2021 to 30th April 2021.
Name of Post
Total Vacancies
Sub Inspector (SI)
9027
Platoon Commander PAC / SI Armed Police (Male)
484
Fire Service Second Officer (Male)
23
Age Limit:
21 to 28 years as 1st July 2021.
Born on or after 01/07/1993 and on or before 01/07/2000.
Age Relaxation as per Uttar Pradesh Government Rules.
Pay Scale: Rs 9300 – 34800 + Grade Pay Rs 4200/-
Educational Qualifications:
Bachelor's Degree in any discipline from a recognized university / Institute.
Selection Process:
Examination (Online Mode)
Physical Standard Test (PST) / Physical Efficiency Test (PET)
Final List
Medical Examination
UP Police SI Exam Pattern:
General Hindi - 100 Marks
GK/ Constitution/ Mool Vidhi - 100 Marks
Numerical and Mental Ability - 100 Marks
Mental Aptitude Test/ Logical Exam - 100 Marks
Application Fee:
Rs 400/- only..
The fee can be made through online payment mode.
How to Apply: Eligible Interested candidates should apply online only @ uppbpb.gov.in. Apply online from 1st April 2021 to 30th April 2021.

UPSC CSE Notification 2021 |UPSC IAS Exam 2021: Union Public Service Commission (UPSC) has published Examination Notification of Civil Services Examination (CSPE), 2021. The Preliminary Examination of the Civil Services Exam for recruitment of various Government Services and Posts for filling up 796 Vacancies (Approximately) will be held by UPSC on 27th June 2021. The last date for registration of online applications is 24th March 2021.
EXAMINATION NOTICE NO. 04/2021-CSP
Exam Name
Total Vacancies
Civil Services Examination, 2021 (CSE 2021)
Various
Age Limit:
21 to 32 years on the 1st August 2020 [i.e., he must have been born not earlier than 2nd August, 1989 and not later than 1st August, 2000]
Age Relaxation: 05 Years for SC / ST, 03 Years for OBC and Deference Services Personnel, 05 Years - if a candidate had ordinarily been domiciled in the State of Jammu & Kashmir during the period from the 1st January 1980 to the 31st December 1989, 05 Years for Ex-Serviceman and 10 Years for Physically Handicapped Candidates.
Vacancy Services & Posts: (i) Indian Administrative Service, (ii) Indian Foreign Service, (iii) Indian Police Service, (iv) Indian P & T Accounts & Finance Service, Group 'A', (v) Indian Audit and Accounts Service, Group 'A', (vi) Indian Revenue Service (Customs and Central Excise), Group 'A', (vii) Indian Defence Accounts Service, Group 'A', (viii) Indian Revenue Service (I.T.), Group 'A', (ix) Indian Ordnance Factories Service, Group 'A' (Assistant Works Manager, Administration), (x) Indian Postal Service, Group 'A', (xi) Indian Civil Accounts Service, Group 'A', (xii) Indian Railway Traffic Service, Group 'A', (xiii) Indian Railway Accounts Service, Group 'A', (xiv) Indian Railway Personnel Service, Group 'A', (xv) Post of Assistant Security Commissioner in Railway Protection Force, Group 'A', (xvi) Indian Defence Estates Service, Group 'A', (xvii) Indian Information Service (Junior Grade), Group 'A', (xviii) Indian Trade Service, Group 'A', (xix) Indian Corporate Law Service, Group "A", (xx) Armed Forces Headquarters Civil Service, Group 'B' (Section Officer's Grade), (xxi) Delhi, Andaman & Nicobar Islands, Lakshadweep, Daman & Diu and Dadra & Nagar Haveli Civil Service, Group 'B', (xxii) Delhi, Andaman & Nicobar Islands, Lakshadweep, Daman & Diu and Dadra & Nagar Haveli Police Service, Group 'B', (xxiii) Pondicherry Civil Service, Group 'B', (xxiv) Pondicherry Police Service, Group 'B'.
Minimum Educational Qualifications: The candidate must hold a Degree of any of Universities incorporated by an Act of the Central or State Legislature in India or other educational institutions established by an Act of Parliament or declared to be deemed as a University Under Section-3 of the University Grants Commission Act, 1956, or possess an equivalent qualification.
Plan of Examination: The Civil Services Examination will consist of two successive stages:-
Preliminary Examination
Main Examination
Interview/ Personality Test
Application Fee:
Rs 100/- for General and OBC Category Candidates; The fee excepting Female/ SC / ST / PH Candidates.
The payment can be made either by remitting the money in any Branch of SBI by Cash, or by using net banking facility of State Bank of India/ State Bank of Bikaner & Jaipur/Sate Bank of Hyderabad/State Bank of Mysore/ State Bank of Patiala /State Bank of Travancore or by using Visa/ Master Credit/ Debit Card.
Candidates admitted to the Main Examination will be required to pay a further fee of ? 200/-.
How To Apply: Eligible Candidates are required to Apply Online through UPSC Online portal (upsconline.nic.in) on or before 24/03/2021 till 06:00 PM.

TANGEDCO Field Assistant Recruitment 2021: TANGEDCO, Tamil Nadu Electricity Board (TNEB) invites online applications from eligible candidates for direct recruitment to the post of Field Assistant (Trainee) / Field Helper for fill up 2900 vacancies. The last date for registration of online applications is 16th March 2021.
NOTIFICATION NO: 05/2020
Name of the Post
Total Vacancies
Field Assistant (Trainee)
2900
Age Limit (As on 01/07/2019):
18 to 35 years for SC, SC (A), ST and Destitute widows of all castes.
18 to 32 years for MBC / DC candidates.
18 to 30 years for Others.
Pay Scale: Level 2 ? 18800 – 59900 (Level 2 of Workmen Pay Matrix)
Educational Qualification: ITI (National Trade certificate/National Apprenticeship certificate) in Electrician / Wireman / Electrical Trade under Centre of Excellence Scheme.
Eligibility: Candidates should possess an adequate knowledge of Tamil.
Selection Process: Physical Test and Written Examination.
Scheme of Written Exam: The Question paper (Objective type) will have three parts. Part I,Part II and Part III. The questions willbe of Objective type and will be set at ITI level. The question paper for OMR BASED EXAMINATION will be of Objective type in the ITI level and it will be in English as well as in Tamil.
Application Fee:
Rs 1000/- for General (OC), BCO, MBC / DC.
Rs 500/- for SC, SCA, ST and Destitute widows and Differently abled persons.
The fee can be made through through Bank Chalan, Net Banking, Payment Gateway and Debit/ Credit card.
How to Apply: Eligible Interested candidates should apply online through TANGEDCO Official website from 15th February 2021. The last date for submission of online application is 16/03/2021.

